অইবনা ফোংজবা :—



লাইরিক ফংফম :—লাইরিক য়োনফম খরদা

অহানবা নম্বা—লোক—১৯৮৫ মার্চ্চ

কোপি—১,১০০

লাইরিক নম্ফম :—ললিত প্রিন্টিং প্রেস, পাওনা বাজার, ইম্ফাল

শিঙেল নাচোম

বাহৌদোক :—

মমিংগী গুন্নদি হেন্দোকখি
শেমজবা ঐনদি পাংজদা
লাম্হোকচনিংবনদি খোইরাংজ
ইতিক-ইপা নংতে খঙনা
ফংজবা লৈচন খরদংনা
শেমজবা শিঙেল নাচোম,
লৌবিদুনা হরাও তরাম্না
চিনবিয়ুকো নাপদা
ফজবা মাইথোংদবু তাংজবি
ওইহনবিয়ু নিংথিবা লৈতেংগী মতেং
হাপিয়ুকো পাংজব্রবগী থোনা
য়ালহনবিয়ু শেমজবগী মহৈ খরদং……।

অইবা:—

শিঙেল নাচোম

হিরম – লমাই

পিঙেল-মাচোন

লৈরাংগুম্বী মপোক্নসে

কবি ওইরগবা মপোকনসে
কমল তম্বীরগবা লাইবক্তা

অথোই অহেন পামজদে
অচৌ-অশাং কল্লকচদে

সনা-লুপা মিঙৌজদে
মণি মুক্তান কৈদৌনি

থম্মোই থম্মোই তিন্নক্রবা
মপা ইপানা চানক্রবদা,

অমম্বা ওইরবনি মপোক্তো
কান্নক্রবনি পুজিদো।

যেরুবসু থমজরোই
কানি চাবসু পামজদে

জবার শান্নবদা ওংজরোই
মু থকপসু হঙোইজৈ

লাইর-অনংদি লাইবক্কিনি
মরম মোকপদরু খোইদাজৈ।

অচুম্বা চংপনা মহৌশা
শাজং লিচং কজবদা

ঐপী পুন্সি লোমজবা
মতুনা ঐপী লাইনিংনি ।

ইমল লৌচুনা থাজবিদু
অঙং অতৌন চাওতুনা

লৈবাক কুম্মৈ ওইরপা
করি তোংজবা লৈরিবা ?

লাইশ মী-শীংনা থুম্মৎলবা
বানা হিংনরিবা তাইবংসিদা

লেম্নগে হায়রবী মতাঙ্গুম
অথোই নাপলবু পামজদে ।

অতোনববু শিঙনবা
লাইরবস্থু নোক্নবা

মতুনা করি কান্নরিবা
মতুনা করি তোংজরিবা ?

মিংকি কুম্মৈ ওইনবা
তৌবা ঙম্মী মতাঙ্গুম

লাইর অনং মমাংদা
ইমল লৈদো উৎপবু

অপঙবনি থম্মোকসি
অরেম্বনি কাওকদে ।

লৈজবা মাগী মরলবু
লৈবাক মাংদা লেননদনা

লৈরাংঙ্বী মপোকসে

লোম্না থুম্না থমহনা
মযোমদোম পেজবা মপুন্সি
মহুনা মাগী লেমজবনি
থ্বাই ভাম্মানস্থ শিংথামনি।

অচৌ অশাংনা কনানো
লাইম-অনংনা কয়ম্বনো
মীওইবগী মপোকসে
অমতনি অমতা……।

কনাগী মতেং লৌদনা
ইশানা ইশাবু য়ারক-চা
অফবা লম্বীদা চংশিনবা
নিঙোল ওইবিগী য়াইফবনি।

ইপা ইপুবু সুংশিজ
অহল লম্মনবু যাহন্দা
ওঝা গুরুবু থুরুমজা
জ্ঞানগী লম্বীবু নিংজহনা

লৌশিংগী মঙাল ফংজবা
অসিভনি পামজবা—।
নিপিগী মপোক ওইরবা
চৎনবী মতমনা থাংগুরবদা

ইনিং ইথা তমজরোই
মতম চারে থংগুবদা

ইশাবু ইশানা খংজনা
চংজপে অছুওবা লবীদা।

মুংশিবসু খমজরোই
অবাবসু নংজরোই

তমখিনা বাবা মহাক্নি
লাইয়েংবা তমদে হায়নৈদো।

থাংঙমত্রবা ইশাক্কা ইরাক্লবা
ঐগী ইত্তিক ওইজদে

তমখিবা মাগী খয়াত্তা
পুন্সি কয়া মাংনরিবা—।

মপোক অসিগী থংজরোই
য়েক্লবা মাগী মশক্কো—।

মঙং অসিনি হায়ত্তমদে
মঙৌ অসিনি খং-তমদে

মিংনা তাকই খঙ্খোইদা
মুংঙাইবনি খন্দুনা

ইরাংখক্কা তাওক্লবা
মুংশি ইখক কাক্লবা

মতম কুইদে বারকপ:
ইরাকৈদো ইরাইদা

কনবিনবা কনানো
উরক্রবা মতমদুদা

হিক্লা হিক্লা কপ্লুবা
থম্মোইহুংদো ওয়চাক্লা

বানা পুন্সি লেঙবা
ওয়-থোইনা থাংজবা

কনানদি উবিগনি
কনানদি থংবিগনি।

পোমশাংনবি লৈয়াংনা
থাংজু থক্লা কেম্বগুম

অমত্বা পুন্সিগী লম্বীদা
নৌনবুদি থোংদাক্রবা

অমুক চনজিনবা য়াগত্রা
নিঙোল ওইবিগী পুন্সিদো।

নিংবা কাইনা লেনবা পুন্সি
কায়া য়ানা থাংগবা ?

নিঙোলগী মপোক ওইরবী
নোংমা থাংখিবা থোংথাংদা

পুনশবনি ইশাসে
চংনবিগী থৌমিনা

মমাংচংতা থলহৌবা
মচুনা ঐথোইগী য়াইফবনি।

ইশাগী ইরৌশিং লৈজরবা
বাথল ফিলেপ ফারগা

চৎনবী লানফমদা খোংদাহুনা
তাইবং শিন্থা পাংগোকপা

মহুনা ঐখোয়গী পাঙ্গলনি
মহুনা নিঙোলগী থৌনানি।

নিপা নিপি খেয়ত্রবা
মতমগী ইচেলনি কাওফদে।

নিঙাইদনা লৈহুনা
হোরেল হয়েং ঙাইরিঙৈ

পুন্সি মমৈ ওইখিবা
থংহোরোইদা মতমদো।

ইহৈ-ঈশিং ভমহুনা
তুংগী ললবু তান্দুনা

থম্মোই খুদুম চন্দুনা
ঙাইজগেকো মতমদো।

লেঙ্গা লোনথুপ্নহুনা
চৌজিক্কিদা খন্দুনা

নিঙোল ওইবিগী পুন্সিবু
শান্ন-পোৎকুম থনফদে

অনিরক শুহৈদ্রবা খোংথাংদা
রাথল শারা শন্দুনা

অরোল লমী চৎচরোই
পাপকি খোংথাংনি কাওফদে।

তাঙনা পোকলপা মীওইবা
কৌজেং হারৌগী মতৌগুম
মৈরানবীগী শাজংতা
ইতোমতা থবাই থাজবা

মতুনা করি তোংজরি
মপোক অচু অরেম্বনি
ওমর কনানো মীওইবা
অক্ষবা মিংচৎনা শিদবনি,

মতুতবু তাম্নবনি
ঙম্নদবগী য়াদনি
শিদবা পামেলবু থাবশি
তাইবং ক্ষম্বাক্তা চোংদুনা

পোকপগী থৌদাং শুরশি
লেংদ্রবা মিংচৎ তাল্লশি।
হৌজিক্কীদা খন্দুনা
অরানবা য়াথল থাদোক্লসি

পুকচেল খোইজেল তিম্নবা
অমতা ওইরা লিচিংনা
থাংচেৎ মচি লাংদুনা
নিঙোল থৌদাং শুরশি

অনৌবা যুগকি লম্বীদা
অপনবা লৈতনা চংশিনশি

ঐঙম্বী ইঙাখোই থিবিক-ও
চিংথবা লৈতনা খোয়ক-ও

ঙসি হয়েং ঙাইরিবৈ
হৌথিবা থংহৌরোই পুন্সিসে

মিহৌ-চাওবা খোইয়ুনি
পাজল কনবা যপোকনি

অকন অয়েং শিংনমনা
নোঙ্গবনা ইথৌ ওই

হায়জবদা য়াম্মোইদৌবা
তাইবংদা কনা লৈরিবা।

ভৌবা ঙম্বনি থন্দুনা
চৎনবী আইনবু কান্দুনা

ইকাই ইকি থঙদনা
নিঙোলগী পুন্সিবু মাঙহনবা

মীওই অছু মা.ঙসন্নু
অমুক হন্না থোয়কু শন্নু।

অনৌবা পুন্সি লৈকোন্দা
ইনিং তম্মা শাৎলগা

ইহৈগী মৈরা পাইদুনা
তাইবংদা মঙাল পিরসি

শোকপগী থোদাং ঙরশি
লৈমাংঙরবী পুন্সিসে।

উরিরৈ

পামেন্দা য়েংপনা মহৌশা
নতোমতা হৌবদা লেমজদবী
য়েংচবনা নংগী নথোৌদাং
তাংজবনা নংগী নপুন্সি
পকচবনা নংগী শক্তম ওই
তাইবং খুৎশেম চংদনা
তম্মকপনা নথৌ পাংথোক-চ
পীথোরকপনা নংগী ফজবী
য়েংচবতনা নপুন্সি ওইজবী
হাদা শিঙেল উরিরৈ ;
লৈরাং কোলোই নিংথিবী
মিংগা শাজংকা চুনবি
শিঙেল নতৌ উবদা
শিংথানরি তাইবংনা।
তম্মকপা মপুগী শিন্থা-ওই
লৈরাং ওইবী নংহাক্লা
অনকপা পামেন্দা য়েংচবা
পামেল ইপুক থোইচৎনা
মিপান তাংহ্রনা হিংজবী
অতোনবা মপোক্কা পোক্লবী

নয়োমদোম লেপ্‌চবা ঙমত্রবী নংবু......।
মতিক খোকপা লাক্লগে
পামেল ইশুন খংহনগে
অশাও নুত্তোন কাখিছনা
মালংবা মাগী মত্তেং লৌ
অকনবা নোংলৈ মুংশিংকী
তাঙ্গা চাবা ঙাইথুনা
শিঙেল নংবু থদংত্তুনা
লমখাংদবু মাংহনগে
তাইবং খোংনেৎনহনগে
খংঙোইত্রদো মতাঙম
হায়না হুম্নবু লাক্লুবদি
শিঙেল করি মত্তৌনো
থাদোকপীগমুকো মতাঙম
পামেল ইউদা চেৎন-য়েৎ
কনা লৈজত্রবীনি মওংঙম
পাঙ্গল শোল্লবী মপোকসে
লমখাংদা মংহনবীগমু
হায়ত্তবগী মতাঙম
তনৌ-তনৌনা খাংজরম্বী
শিঙেল মত্তৌ উবদা
থোইনা নেম্লদুম হুংশিবী

পামেল পুক্নিংবু ওন্নিদা।

শিঙেল নংবু লাক্লকপা

পামেল ঐনচুম ইকাইজ

নাপন ইশাচুম তেকইদা।

তম্মকপা মাশী মহৌশা

অকাও পরৈনক্লবা

মপুগী খুৎশেম খুপাইবা

ঐগী ইতিক ওইরমগ্রে।

খোইনা হেন্না নিংথিবী

পামেল ওইবা ঐহাক্লা

লৈরাং নগুন খংঙ্ডবা

অপং লাংদা থুরুবা

কলক-মাংদা চাং-তা

ইকাই ফিরুক খুম্মেদো।

লৈরাং নংবু মুংশিবী

ঐগী য়াবা তায়োকো

পামেল কনা খংদ্রিদৈ

নং ঐ অমতা ওই

নিংবা কাইরবা পুন্সিসে

শিঙেল লৈশাং তমচুনা

হিংমিন্নরশি মপোকসে।

লৈরাং পুন্সি মাংহনগে

থল্লুবা ঐগী বাখলবু
পামেল ইরাল ওইজরগে
কনা থংহন তাহন্দা
পুকচেল খোংপি নহান্না
মিঙুংশি থংবী ওইহনা
নোংমদোল লাইজ ইরিক-ওই
কংলবা বাখনবু এনিং হন
আসাগী মপোল চোংহনবিয়ু।
নৌজবনা মপোক ওইরবী
অশাওবা কয়াবু মৈ-মুংনবি
খোইমুশিংগীদি থবাই-ও
কুমগী মতম ওইরহনা
শিঙেল নৈশাং তম্মকপা।
নৈরাং নৈনম তাবদা
নৈহি পাম্বা খোইমুনা
হরাও মখোই কাহনা
নৈরাং তম্না পাইরকপা,
খোইমু-নৈরাং মতৌ য়েং
পামেল অবা পোখাজ
পাইম-ইচিক থেমজরগে।
নৈযাং নংগী নওয়া
পামেল ঐবু শকথংবী ;

পাইম-পূক্লিং চাওয়োক-চ
কনাই মতেংনা নৎতেদো,
শিঙেল নংগী নপাম্না
মাপন ভৌনা হৌজংগে।
মপান তাংবনি শঞ্জুগম্ন
শিঙেল নংগী কজবনা
পামেল ঐনা লেমজবনি
অম্নুম্নি খঙোকউ।
ইশক ইভৌ খিরবা
পামেল ইরাল তাক্নুনা
য়েংমিংবদা ননিংতম
লৈরাং লৈশাং তাম্মোকো—।
থাদোক্লগুমসি পুন্সিসিগী
অমতা ওইনা হিংমিন্নসি,
অকনবা নোংলৈ নুংশিত্তা
শিঙেল উকন ওইহনা
লুনা চান্না থমজগে
চেৎনা য়েংতুনা লৈবিয়ু
থাদোক্কে খন্নগুমসি পুন্সিদা
নং ঐগী মপোকসে
পামেল ঐগীদি থবাই-ও
হাদা উরি-লৈ-ও-উরিরৈ।

চিনি-চম্প্রা

(লৈরাং-খোইমু)

লৈরা অমা— শিঙেল চিনি চম্প্রাও
লৈনম্মা নঙুন ওইরিবি
পিকতকপা পামেলগী মতৌশুম
নশা নরেংনা পুংথন-থন
মনানদি পুংয়োম-য়োম
শাংলকপা লৈনম্মা তাইবং-শিন
লোম্মা থুপ্পবু শাংপদি
তম্মকপা মাগী শিন্থারা
লৈখোক্তা কোচি থাংলিবী
তমখিবা খোইমুবু রারকপি
লৈরাং খিবিক্কী মতেং-লৈ
মকম কৈদবু শাংলিবগে ?
ননম্মা লৈকাই পল-লানবী
শিঙেল লৈনম তাবদা
খোইমু পুক্লিং কোইতাওনা
ঙাংঙ-ঙাংঙ পাইরকপা
লৈরাং লৈশাং তম্মকপা
ননালক্তা লোংখিবা
চিংজাও খোইমু লৈহি-পাম্বা
অশাও থাম্বী মৈহৌনা

চিনি-[illegible]

অকন-অরেং শিঙ্ছনা
লৈরাং লৈখোক তম্মকপা

তাং-তৌবা খোইমুবু লাক্লবা
নিঙ্গোল ওইবিনা পেঙ্কেদো।

অশাংপা লৈকাদা য়োঙমদা
শাখপ তুকাং য়েঙ্গনা

মালেম লৈমাই তম্মকপা
কল্লক পেল্লিদকো ইতারোই।

খোইমু অমা— মপুগী লৈকোন চিদাইদা
মফস্থনা লৈরিবী মুজা—ও

মপু মাগী খুংশেমদা
তাইবং লিলা শান্নবা

থরাই তানা য়েংহনা
খোইমুবু মরাল শিরিবী

পেঙ্গদহনা শোঙ্গবা
খোইমু কনানা বাগ্নৌবিরোই

লৈরাংগী মপোক ওইরবিসে
খোইমুগীদি কনানো- ——।

য়েলহৌকৈদা হায়জবা
মুজা ওইবিবু পেলহনবা

লৌনম লাংবু থাক্নুনা
থুরবা শজি অমোমগুম

খোইমু কাদা লৈররবা
ইথুং চল্লকা কান্দুদা

ঐগী ওইরে থংঙবা
লেংঙরোই ছায়বা মতমদা

খোইমু ইনিং-তম
শিঙেল তরাই তশোন্না

করি করম তৌরিবগে
হন্না ফাওবা য়েংবিদা

থোশাদবা খোংথাংদা
খোইদাবা শিঙেল থন্দুনা

অনৌবা লৈরাং কযাগী
লুংশি লুংঙোল ইন্নাংদা

হরাও মথোই কাহুনা
নিঙাইদনা লৈথোকপদি

শিঙেল ওইবী নখোইনা
মালি লৈকোন্দা চাওপোক-চ

ছাইনা হুন্নবু শাংতুনা
খোইমুগী অন্নাবা উথিদা

পাখং কাদা লৈরগা
লম্মন শিংগে থন্দুনা

ইথুং চম্নবা হোংনবদা
শিঙেল পুক্নিং পেলহন্ননি

মহু খংনা চংচৌদো
লৈরাংগী মপোক্কা পোকলবী।

লৈরাং—
পাক্লল শোল্লবী মপোক্কি
মীহুংশি খংক্রবা মহাক্কো

হে-ইতা চিনি চম্প্রা
মতিক থোকপা লাক্লসি

লমচং নাইদবা খোইমুদো
থশ্মোই পান্দবা মহাক্কো

শিঙেল নাক্কবু নকহনগুমসি
ইকাই খংদবা মহাক্কি

ঐথোয় অমতা ওইহনা
মাগী শরুক তমগুমশি

কৈদৌজরদগে মত্তাগুম
অথোই নাপল কাবদি

মতিক থোকপা লাক্লসি
লৈরাং ইতিক খংহনশি:

পংগুমশিকো চাল্লবী
মখুং চল্লপা চাওথোকপা

ঈশিংদা ভাওবা কাওশিংগুম
তুরেন্দা লাল্লবা হিরেনগুম

মমুং লেল্লগা কাওথোকপা
অহুগুম্বা খোইমুদো

নৈরাং ঐথোয়গী দি য়েক্লবনি
মশক মুয়া থংদোকশি।

খোইমু— নপাও তাবদা মুংঙাই--হাই
তয়া-চাকপু চায়া য়ান
কে-কু লোংপি শায়নুনা
উ—য়াওবীবু তায়রিবা

অঙাং নরা অপিখক
খোমলাং মনমু কোক্তিব্রা
নবাশিংগী পুকচেলগুম
চিক্লবুদি বাতানবা

ইশি শিনহুম নোকনিংঙি
খয়রিবহুনা চুম্মবদি
নোংমদোন লৈচিল লেংঙরোই
যমা উয়োক থোং লাল্লনি

লৈতায়া শাব যমা থোংবগুম
শেবোত্তা মাইরেন পানবগুম্বনি।
লৈরাংগা খোইমুগা
ঙামুগা খোংবানগা

মমানা মচা পম্বগুম
তৎনা থানবা য়াত্রবনি।
কায়নবা য়ায়রোইদোবা মহোশা
মপুগী থুংশেমনি থংজো।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

অপং কাংবু খাকৌক্তনা
তু পী লম্বী য়েংহৌশি

ওসি কৌবা নোংসিদা
পম্মোগী ইংখোন চিদাই ওই

শিঙেল ন'না লৈশাং-তম
লোংপা য়াত্রবা লৈময়া

নতাগী থম্মোয়দা যৈরবা
পাওজেল হৈব' মালংবনা

কোয়না চংতুনা হুমখিবা
ইতারোই কয়া লাক্তুনা

শিঙেল নংবু হেকথ্রপনি
মথোয় কনা থংদ্রিবৈ

শিঙেল নংবু হেক্তুনা
মুক্তাগী শাইনোল খাদবু-চিন

শিঙেল লৈনম তাবদ
পাখং কয়াবু কোইঙাওনহনগে

হেক্লগেকো চায়বী
অপুংবা ননা হায়দোক্লগে

কৈদনোনে শিঙেল-ও
মক্ষম কৈদবু শাংলিবগে

নিঙোল ওইবিগীদি তেংবাংলৈ
খোইমুশিংগীদি তাথি-রৈ

নতা ওইবী ঐহাক্লা
শেংন-খাইনা থিজবা

ইস ! নিংথিজনা শাংলেদা
লৈরাংগী থক্তা কোচি-থাং

অশংবা লৈচু পাদোক্তুনা
নাপুগী ফিজোন হোংহুনা

শিঙেল পুম্মুম শাংলম্বা
নিঙোল পুক্লিং হয়াওজৈ

কোচি থক্তবু থংলগে
নিঙোল নাপলা চিল্লগা

ইতারোই নংগী নপান্দগী
মিহৌচাওবা খোইমুদো

নিঙোল ইপা লান্দুনা
পাইঙম্মোইদো ইতারোই

ঙংঙ ঙংঙ শৈশক্তা
নিঙোল মাইথোং তম্মকপা

ফনাগী মপাম্মা নজ্ঞেদো
শিঙেল নগুম্ননিদো।

কোচি থাংবী শিঙেলনি
তাইবং খাইনা খংনরবস্থ

নিঙোল ওইবী ঐথোয়গীদি
পাখং থম্মোই কোংন-লাং

কাওঙমদবা কিসি-কি
মুজা মতেং পাংন-লৈ

খোইথুম্লবা লৈনমগুম
তাংনা শাংপ শিঙেল-ও

লৈনা অমতং খুদোল-ওই
পাখং কাদা য়োঁখিবদা

অকাও লৈমন চন্দ্রবী
নমিংগা নগুনগা চানবী

মুজাগী পাওখোললোই শকহেনবী
পাখং পাইমা লাংথাকপি

হাদা চান্নবী ইতারোই
চিঞ্জরগেকো নাপদা

নিঙেলগী খোনা হাপ্লিয়ু
মুজাগী ইতেং পাংবীয়ু।

হাদ শিঙেল মুংশিবি
চিনি চম্প্রা-ও চিনি চম্প্রা।

কোনবি-রৈ

ছাদা ইতা :—

লক্ষেল নবা কোনবিরৈ নমিং তাবদা য়েংনিংবী
নপাও তাবদা খোইরাংবী
পোইরৈ কৈদবু পোকপিনো লমদম কৈদবু শাৎপিনো
ছাদা শিঙেল কোনবিরৈ।
লৈরাং নংগী মপোকসে শিঙেল নংগী পুন্সিসে
অসুম্নদি ছায়নৈদো;
শ্রীযুৎ শূরচন্দ্র মহারাজনা পান্নিরৈগী স্না ছাক্তি
নিংথৌ খনবা মহাক্তি
কোলোই মিংলেন ছায়রগা শাবি বোরাচাওবগা
শুরা মাইমু পেমচাগা
মুংশি পরৈনখিবা চিংঙ্‌বা মাহাদেব খুরম্বা-চৎ
লমলেন য়ারল পাত্তবু
শিঙেল নংনা ছৌরম্বা মুজা মানা খোইদাজরুবা
পামু কাদা পাওমেন্নজা
মুংশি য়ারাবু ছিকতোক্তা চিংগোইনজবা ওইবা মহাক্তা
শিঙেল নংবু ফুক্তুনা
লক্ষেল পাত্তবু থাখিবী লৈরাং লৈশক উবদা
খোইন-হেন্নহুম মুংশিবি
শাবি-শানৌগীদি খুদোল-লৈ মুংশি পরৈ পুন্ন-লৈ

বৈ,য়াং বৈপুল ছেংন-বৈ

নিতোল ওইবিশীদি লেমজ-বৈ   পাথাং শিহা পাংথোক-বৈ
শাবী-শানৌ নিংশিং-বৈ
শিতেল নতৌ উয়গা   মুজা পুক্লিং মুংতোনবী
পাইম পিবুক নৌহৌ-বৈ।
লমদম অসি য়েংগু্ রগমু   পাংকি কুম্বাই অথিবা
অমুবা মচুবু ওম্বুনা
বৈথা তাদবা মালেমগুম   নোমকেং নোমকেং মওংগুম
পাক্ল-শম্না নিংখিরবা
লম্কেল পাংকি পাংয়াইদা   শিতেল নংনা হৌজবা
কয়াদদি নিংথিজবা,
শজিবু থাগীদি থাজিম্নি   থৌগংলবী ঋতুনদি ইথৌ-লাং
মপু মাগী থৌশিন্না
কোয়ৌ-থকী লাইজবু   মাগেমদা চোইনা থিকথ-রক।
পেঞ্জরবা উথুম্না
হয়াও মথোই কাত্নুনা   মুংঙাই তাম্বা পিহুনা
তুম-তুম হায়না থোংলকপা
চেক্লা মতৌ উবদা   মালংবা মাম্নু পুক্লিং পেন
লোইবী চিংথোং চিংয়াদগী
বৈনা বৈনা হুম্মকপা   তাঙ্খা অসি ফংলবদা
শিতেল ওইবী নহাক্লা
থেক-থেক নৌগ-নৌ   বৈনা জগোই শামকপা

হায়না হয়া শায়বা,

মতৌ অসি উবদা তামনা কৌবি চেক্লায়
থম্মোই মরাং হৌরক্তুনা
লোইবী চিংগী নাপোমদগী তাইবং পুক্লিং শুম্মৎনা
তাম তাম হায়না খোংঙকপা,
হরি কৌথি চেক্লায় অপেনবা খোদোক্তু উবদা
অয়োবা খোঙ্গাংনা শৈশক্তুনা
লপুগী খোংগন তৌজবা, লাইবক ফৈদা ইতারোই
মপোক ফনা পোকইদা।
অতুগা ইতারোই পুংশিবি শিঙেল ওইবী নহাকপু
অশুয়ম্ব শৈশক্তুনা
তাইবং অবা পোথনৈ অথংবা থরদং শোঞ্জগে
তাবিযুকো চান্নবী,
কোনবু তৌরগমু কোনবিরৈ কোনবু হৈবী নহাকথক্কীদমক
পাথং কণ্ডাওনরেদো,
তাইবং শৈশক তাবদা শিঙেল নাকোং শিংজা-রৈ
থাংজবা ভমজদবী মপোকনিনা
ইকাই মুংশি য়াম্ন-না তাইবং মিরক্তুগী লাপথোক-চ
অচিকপা লমদবু হৌবরা
অকনবা শউগু কিজবী চিংয়া তময়াদবু পামজবী
হৌফম চাফম থঞ্জবী
লৌবুক লম্মাংদদা হৈনবী, খোইদাজবী নংগী লমদমসে

পুন্সিশিংগী থাদোকন্নু ।
পকচবা ইতাগী হৌফমসে   ন্নুমিৎ থানা থোকলিবথৈ
শোন্নহৌরনি তাইবংনা ।
শজিবু থাদবু কুমদগী   শিঙেল লৈশাৎ তমহুনা
অনৌবা কুমগী শকুম-লৈ-ও
লৈরাং নংবু হেক্লগা   শিঙেল অরেম্বদা মাংহন্দা
তাইবং য়ুমথোং থূদিংগী
চৈরাও হৈজাও লৈ-চল ওই   লাইনিংথৌ থুভম য়োজহনা
মপুগী থৌগল ফংজবী
পোকচবগী লেমনা মাংজবী   পোইরৈ লমদম্ন শোন্নহনবী
শিঙেল ওইবিশিংগী লেমজ-রৈ
নিঙোল ওইবিশিংবু কোনবী,   হাদ ইতা কোনবিরৈ
ও-কোনবিরৈ ।

———

লৈপাক-লৈ

কালেনগী শারবা মৈশানি   লৌবুক তুরেল ইকং-থা
ওয়-থোইনা থাংন-থা   নোংলৈ মুংশিংকিদি মকুম-থা
লেমলৈ ভাগিদি হয়াও-থা
খয়ো থম্বালগিদি পেঙ্ক-থা।

তাংজবী শিঙেলগিদি য়েংনিংথা   লৈরাং লৈশাং তঙ্খু-থা
লাইঙ্গ হঙোইগীদি লৈশক-থা   তাইবং জীবগীদি ওলা' থা
খোয়াংগল্লবি নোংগৌবিগীদি
লোম্মা চিক্লা থাংন-থা

লাংঙল্লবি কৌবি চেক্লাগীদি   লৈহাও লৈহি চুপ্প-থা।
তনদন কৌবি মহাক্লিস্থ   মকুম মথা ওইন-থা
শিঙেল থম্বালগিদি খেঞ্জোং-থা
লৈরাং থয়োগীদি কেজ-থা।

লৈপাল লৈপাল থুদিংনা   মালং মুংশিং তাম্থাদা
হয়াও মখোই কাহনা   হাইনা হুম্মা শাম্ন-থা।
নিংথিবা কয়াগা লোইননা
মপুগী খোগন ফংঙ-থা।

ইখৌ লাংলবা খোইমুগিদি   হয়াও মখোই কান-থা
ঙংঙ ঙংঙ শৈশক্তা   খোইদাবা লৈরাং থম্ন-থা।
কোয়ৌ-নোংমদোন লৈচিনগীদি
খোংয়াং লমজেন য়াংন-থা

নোংইন কৌবি চেক্লাগিদি শাথপ তোইনা ইজ-থা
তাইবং জীব কয়াগী হুমিদাং হকচিক লাংন-থা।

ওলাং মৈশা থাংগুবগী
থাজগী-মণ্ডাল পামজ-থা।

অহিংগী মমৈ ওইরগা হৈনম লৈনমগা লোইননা
মলয়া মুংশিংনা হুম্মকপা তাইবং ইচিক থেমন-থা।

নিংথিবা থাজগী মণ্ডান্দা
পাইমা পুক্লিং পেঙ্গ-থা।

কালেনগী মৈশা লকশিদা কল্লবা লৈতংগাই মরক্তা
শিঙেল লৈশাং তমজবী হাদা লৈরাং লৈপাক লৈ

নতো মান্দনা অথাং কনবি
থাজদনা নগুন লৈবি-ও

শক্তা নথৌদাংগা থেম্লবী তনৌ তহেম্না নিংথিবী
থোংনা মেঙনা লিংজেন ফবী থাজদনা নগুন লৈবি-ও

করম্না থাগৎতনা তোকনি
শিংথানিংঙাই ওইরবী নংহাক্লি।

অঙকপা নংগী থৌদাংনি অথ্যাং কনবি নংগী নতোবু
লৈরাং কনানা ঙম্বগে শিঙেল কনাগী মতিকনো

মালেম লৈকোই পুংশিদা
লৈরাং নংগুম্বদি য়াওদেদা।

শিঙেল ওইবী নংহাক্তি কুমগী নোংবু কল্লক্তা
নিংথম উলেনবু তুংওইনা ব্লাকচিং থাবু থৌওইদা

অশাবঃ কয়াবু মাইরোক্লা
কালেনগী লৈতংপাই ময়ক্তা
থাজনা লৈশাং তহদি মপু মাগী খুংশেমদা
অহুয়া ওইয়ু তমঞবোই ওক্তবু তমদেদা শিঙেলও।
হৌকম তাক্তনা শাংলকপি
নশুম্না তাইবংদা খুদোন-তম
অঙকপা নংগী লিচংপু লৈরাং কনানা ওম্বগে
শিঙেল ওইবী নংহাক্তি নোংলৈ মুংশিংপু মায়োক্লা
শরং থাজবু খোঁওইদা
বসন্ত ঋতুবুম্ন কন্নকউদা
নিংথিবা কয়াবু মিতাক্লদা নপান্না হান্না পাও-তাকপি
ননানা কোন্না পাওখুম্বী লৈরাং ওইবী নংহাকপু
নমু তাইবং কনানা
অহুম্নবু পাখোং চন
পলেম মমা পোক্তনা মনোম হান্না শাংপি
শিঙেল লৈরাং কনানো কোলোই মিংলেন কল্লিনো?
মুক্তা পাথং কনানা
অঙক লাংদা থুহনা
চঙক-মাইঙক্লহনা রাথল পাইমা ফিম্বংনরবদা
নিঙোল পাথং কনানা অম্নমবু চিংগোইনৈ,
লৈরাং কোলোই হায়রগা
শিঙেল "লৈপাকলৈ"

"অসুম্মবু পাথোং-কোঙ লৈয়াং নাথু শিংথানৈ।
'হায়দোকলকপদা চুনবি খক্কুবদা পাম্নুবি
শিডেল লৈশক য়েংঙম্বা
থোইনা হেম্না হুংশিবি
পুন্সি তেনবী ইতারোই নিংঙমথেদকো চান্নবী
কালেনগী অরা মৈশা থাংবদা লৈয়াংগী পুন্সি তেন্দুনা
থা ভুথক্তবু কেম্বরা
কলকইদকো কল্লকই।
থল্লুবদদি থাংঙমদা মিংকি পিবু ইন্না-চেন
শিডেল চৌফম য়েংজৈবে, অসুম্মবু থল্লকইদো
থম্না থকৌ লাইজঙ্গুম
তিথৌ মতোনগী ফিক্লাঙ্গুম
নৌনা পুন্সি কেমথবি ইতারোই নংবু-কৈদনো'?
খিতুনস্থ ফংলরোই কৌতুনস্থ লাক্লরোই
নিংনা শোন্না লোইরেদো
অসুম্মবু তেংথাজৈ।
হল্লকংথাকো ইতারোই ওল্লকপা কুম্নু ডাইজগে
মতমতুদা উনশি কাইনঙমশিকো মপোক থুদিংদা
হুম্না হুম্না পাওমেঞ্জবা
কাওনগুমশিকো ইতারোই
চান্নবী নংগী পুন্সিগুম অথাং কনবি ওইজগে
হাদা-শিডেল চান্নরবী লৈপাক-লৈ। ও-লৈপাক-লৈ।

কুন্দো মালিকা

মালিকা— হাদা ইভা কুন্দো-ও

পোমশাৎনরিবী ইভারোই পুখ্রিমপান্দদি ইঙৌ-ঙৌ

হাইনা হুম্মদি শাৎপবু

কনবিঁমবা কনা লৈহ্রনা ননিং মথাবু ভম্বরা?

হায়খুগবা চান্নবী।

কুন্দো— করি রানোদ' ইভারোই

লৈরাংগি মপোকনি হায়ত্রনস্থ করিগী পংতোন-তোনগনি

থোকঅবা অমা লাক্লগনি

ভম্মকপা মপুন্সী শিন্থানি করমনদি তৌগনি

করিগীদি পংবা বাক্লগবা।

মালিকা— অত্রনি হায়ত্রনস্থ চান্নবী

তাইবং মপুগী খুৎশেমনি থিংঙমদ্রবা মহৌশা

খোইমু মাগী মশিন্থানি

চেন্দুনস্থ য়ারোইদো লোৎত্রনস্থ হিংঙোইদো।

করি উপাইদি লৈরিবা?

কুন্দো— অত্রু ওইত্রনস্থ ইভারোই

নভা ওইবী ঐহাক্তি লৈরাং লৈহি চুমত্রিঙৈ

কঙাওনবা খোইমু কাদা

নৌনা লৈমন চন্দুনা মিনোক মৈশা ল্যাংত্রনা

পুন্সি হিংবদি পাররদে।

মালিকা— য়ারোইদা ইতা কুন্দো-ও

কমল-চাওবা খোইমুনি মলিং থুংলবা লানকমদা

নখোই ঐখোয়গী পুন্সিসে

নোংমদি খুত্থম চনখিবা তমথবা ঐখোয়গী লাইবক্তি

লেঙবা য়ারোইনে চায়রী।

কুন্দো— অহুনি হায়হুনমু ইতারোই

পাঙল শোনবী মপোকনি তোল্লবী লৈরাংগী পুন্সিনি

অকন-অরেং শিঙহুনা

নমজা-নমথেক্লবনি রারকপিনবা বাৎপনি

মহু থংহনবা তাবনি।

মালিকা— ইতা নং ঐনদি য়াজরোই

মাই হায়হুনা লোৎকনি চিরোল হৈবা মালংবা

পাওজেল ফবা মরমচং

মশক উদবা খোংথাংদা পাওদম্মুনিদো ইতারোই

কনানদি থিংবিরনি।

কুন্দো— অহুনিসে কিজরিবা

অরোনবা শাজংতা হৈনজবা লাকই চংলি থংহন্দবা

মথৌ মাইত্রবা মলয়া

লৈরাং লৈনম য়েল্লুহুনা তমথিবা খোইমুবু পাইরক্তা

থম্মুদবমু নংতেদা।

মালিকা— অহুনিনে ইতারোই

তোৌবা ঙম্বা মালংবা অঙকপা নোংথাংগা লোইননা

অকনবা নোংলৈ মুংশিংনা
পামেল ভেরুা হুমুরুবদি পাজল শোনবিদি কমদৌনি
কনানদি কনবিয়নি।

কুন্দো— মত্তম্ মপুগী থোদানি
ইরাইবক্তিনি কমদৌনি চেল্দুনা হিংকম লৈত্রবীমা
নৌনা পুন্সি কেমথিবা
মপু মাগী খুজিন্নি করিগীদি চিংনরুনি
অনৌবা মপোক তানবনিনা।

মালিকা— খুম্নকপা খুদিংদা রাংতবি
লৈশক নাইবী শকহেনবী ইতা ওইবী নংহাক্তি
তাইবং মিনা লৈশকংখন
লৈপাক মাংদা লেম্নরবা নগুন লেবি নংহাক্তিদো
করম্নদি ইবা লৌবনি।

কুন্দো— করি রানোদা ইতারোই
নমিংনা মালেম শিল্লিবি ননম্না থম্মোই শুক্লংতুমা
তাইবং পূক্তিং পেলহন্দুনা
মালিকা হায়না শোন্নরি ; নতা ঐদি ইতৌদনি
মাসমন্ম কাওবিগন্ন

মালিকা— অতুম হায়বিমুদা চান্নবি
ঐদি মিথোং হুক্তবিনি ইশক য়েংঙি কদাইনো
ইতৌ য়েংঙি করিনো
লাইবক থিরবী ঐহাক্তি লৈরাং লক্তা তিনওমদা

ইরোমদোমতা হিংজনিংবিনি,
তাইবং ইচিক হুনগ্রবদা
থাজ মাগী মপান তাং ঐগুম্বী লাইবক থিরবী কনানা
সুংশি অবা মৈচাক-পু
ওয়-থোইনা থাংজবী হিক্ল-হিক্ল কপ্পুম্মা
মিত্তগী তাম্নকপা পিনা
অতৎপা লৈতনা শিম্মুরক ইথোং অসি চোৎলবদা
কন্নি গতিদি লৈত্তা
মাগা ঐগা কপমিন্না অন্না মৈচাক থাংহনা
অহিং চুপ্পা লেনমিন্নৈদো
অম্মুম্না পুন্সি হিংলিবি লাইবক থিবি ঐনিদা
মনাক নকচবা ইত্তিক নৎচদে
লৈরাংগী জাৎতা পোক্লবস্থ থ্বাইগা মিমান্নত্রবী
মপোক ফত্রবী পুন্সিনিদা।
কুন্দো— মহুনা অথোইবা থৌদাংনি
নতা ওইবী ঐহাক্তি কনাগী মতেং পাংঙমদা
ইতোমতা হিংজনবা হোৎনবদা
কনাগী অবাবা উরুদ্রে ইথৌনা লৈত্রবী ঐহাকসে
পোকপগী কান্নত্রবা পুন্সিনি
ইতৌনবু কন্নি তৌননি ইশক্লবু কন্নি কান্ননি
অবেম্বা ওইব্রবা মপোকনি;
ইতা ওইবী নংহাক্তি অথাংকনবী পুন্সিনি

নতুং ইনশি ইনঙমদা
শোঙবদা ঙাইরবী করি উপাই লৈজরবী
পাংজরবী ঐনিদো,
চান্নবী ননাক্তবু নকচহনা নুংশি লৈনবু তাংজগে
অবা মৈচাকপু খাংঙবী
লৈনম্না থম্মোয় ইংলিবি নতা ঐগা অমতা ওই
খুৎশম্মনা চৎমিন্না
লংলা অমত্তদা লেংহনা চান্ন-চিন্নমিন্নসি
তাইবং মাংদা লেন্নশি
মালিকা — শিংঙিদকো ইতারোই
নশক নতৌ ফজবগুম থম্মোইদগু নিংথিবী
মিবু পেলহনবা হৈবি-ও
ইতাগী মতেং নত্তনা কনাগী মিপান তাংঙনি
করিগু লৈত্রবী ঐহাকপু
খুজেং পাইহনা চিংথৎপিবা ঐগীদি লাইবক ফবনি
পুন্সিগী থাদোকচরোই নতানা
অবা শরুক য়ামিন্নসি হবাও তয়ামমিন্নহনা
পুন্সি মতোল লোমমিন্নসি।
কুন্দো — লৈনমগী নতেং লৌজগে
মালিকা — নশকী নঙানবু ফংজগে
কুন্দো — নিঙোল খুত্তবু য়োমিন্না
মালিকা — অমতা ওইবা পাবেংনা

কুন্দো — বোরগী গুক্কবু, য়োমিয়সি
মালিকা — কৈন্থাগী গুক্কবু হুক্কুনা
কুন্দো — পূন্সিগী তৎন-থানদা
মালিকা — লেংত্রবা থোরিনা পুনবগুম
কুন্দো — লৈপাক মাংদা সাক্কি থম
মালিকা — তেক্ত কাইদনা লৈমিয়া
কুন্দো — পুন্সি তোলোইনা পাঙবা
মালিকা — তাইবং মপূনা চানবিসনু
কুন্দো — মচুতনি পামজবা
মালিকা — মচুতনি নিংজগদোবা
কুন্দো — কাওনগুমসিকো ইতা — — ।
মালিকা — কাওনগুমশিকো পুন্সিগী।

———

শিরোই লিলি

কনাগুম্বা অমা —

পৃথিবীগী 'অতৈ লৈকোন্দা ফংল্লবী
মৈতৈ লৈমগীদি মমোমলোই
শিরোই চিংদবু শাৎচবী

চিংহুং তামনাগীদি চান্নজবি
চেক্লা হরি-গীদি মরুপলোই
চিক্লবা লমদম অশিদা

কনা উহন-তাহন্দা
শিঙেল নরোমদোম শাৎতুনা
লৈরম্মীবি লৈরাং-ও

নোংমদোন হুংশিং নাম্নবা
মালং ভাম্থা তু' ইন্না
হাইনা হুম্নবু শান্নজ-,

কনা য়েংবিনবা য়াগুদনা
অহিংদা থোকপা থাজগুম
নান্নক্কা ঙানবা মণিগুম

শিঙেল লৈমন চন্দুনা
অৱেম্বদা মা'জবা
পামুইদকো পামুইদা।

কন্নি নিংবা থুংদহনা
অন্থক নিংথিজবী নংহাক্লা
লোৎতুনবু হৌন্নিবা

শিঙেল ওইবী নংহাকপু
উকপা তাঙা অসিদদি
মিৎকম হোংবা য়াদেদো।

নতৌনা পূক্লিং শুক্নাংপী
নওংনা খম্মোয় পেলহনবি
তোপ-তোপ্লা নংগী নিংথিবা— —।

নপাও তাবদা লৈঙমদা
য়েংনিংবনা লাংতক্লা
উনিংবনা থুক্নাংখি

লৈরাং হৌফম খিরকপা
লৈশক উবদা নিংথিবী
থোইনা হেন্না মুংশিবি,

তাইবং মিখোল তাখিদ্রবা
কৌজেং হারোগীদি য়ারেকফম
চিংমুং চেক্লাগী খোঙ্গেলতনা

লোইবী চিংগী নাপোমদা
মুংশি মুংশিনা খোংলিবা
শিঙেল নংগী নতৌগা

কয়াদদি নিংথিজরিবা
মহৌশা কৌবি লাইরেম্বী
ফজেদকো পলেম-ও।

ঐগী পুক্সিং লৈকোন্দা
মপুং ফারবা থাজনা
ইংনা চিক্না ঙানবগুম
নিংথিজবা কয়াসে
হায়দোকপদি ঙমদরে
করম্দি ফোংদোকসিবা।
য়েকপা হৈবা কনানা
হৈ-শিংবা করম্বনা
পুক্সিং হুনবগী মশকসে
চে-বাংথক্তা মমি তাহন
মতৌ অস্লুম্না নিংথীহনবা
কনাগীদি মতিক লৈরীবা ?
মতৌ অসি উবদা
ঙকওইদোবা লৈবরা
লুংশিন্নোইদোবা কনানো?
মপুগী থোদা নিংথীবা
হৈনা শিংনা শেমমস্বা
কয়াদদী পুক্সীং হুরিবা।
পুম্নমক অসি উবদা
পেগ্গরবা ঐগী থম্মোয়না
অশুম্নবু শিংথাজরি।

শিঙেল ওইবী নংহাক্লা
শিরোই চিংগী চিংথক্তা
তোমখিন বাংনা শাৎপদি

মৈতৈ লৈমা ইমাগী
শম্বুলগিদি লৈতেং ওই
শমজ্জিরৈনি ছায়জগে।

অসি য়ৌনা নিংথিজরবী
লৈরাং নংগী নফমদা
পেন্দবা থরদি কোংদোক্তে,

করি নিংবা থুংদবনা
পাঙ্গল শোল্লবী নংহাক্লা
অবাংবা চিংথক্তদা হৌবনো

য়েক্লবা কনা লৈহ্রনা
তমথিবা কনাবু কিহ্রনা
লোম্না থুপ্লবু শাৎপরা ?

অসুক ফজপ্রবী নংহাক্লা
কোলোই নমিংসু খংহন্দা
মপি মপা লৈজপ্রবী পোশ্বীগুম

নরোমদোমতা হৌরম্বা
করি মতৌ কৌবগে
হায়য়ুগবা শিঙেল-ও,

তাইবং মীরোল খোক্তুনা
সেগা মাইগা ঙাংনগদৌবস্থ…… ।
করি উপাইদি লৈরিবা ?

শাংলিবা নংগী নপানসে
ওমোর থুভম নংতেদো
কয়া কুইনদি লৈগনি

তাইবং কনা খংদনা
চিনবিনবা য়াওদনা
য়েংবিনবা লৈতনা

শিঙেল লৈখোক লোয়হনা
লৈমাইথক্তা কেন্দুনা
নরোমদোমতা মাংক্লবা

পামুইদকো শিঙেল-ও
কলকইদকো লৈরাং-ও
খল্লু খল্লুরগা নিংঙমদে ।

অহুবুনে শিঙেল-ও
লৈরাং নংবু মিংথোনখিবা
শিঙেল নংবু শন্দোকখিবা

ইংরেজ জাৎতকি পোক্লবা
শামক্রু ইবাংমদগী লাক্লবা
কিংদোন বার্ট কৌবা

ইংলেণ্ড মচা অমগী
মথৌনাদা চংখ্রোনবা
অহনবা লৈতরা খোংল্লাংদা

লৈ শুগী রিশার্স্তা
মনিপুর স্না লৈবাক্কুগু
কোইনা অসুম থিজিল্লকপা

শিরোই চিংগী চিংথক্তা
থাজদনা হৌরম্মবি
নিংথিজরবী নহাকসে……।

কিৎদোন– বার্ট ………
হাদা লৈরাং নিংথিবী
শিঙেল নত্তো উবদা
নিংবা কাইরম্বা য়াখনসে

পুক্লিং ভূজুং হরাওনা
তোপ তোপ্পি নংগী লৈশক-য়েং
মিৎকম হোংবা য়াদনা

শিঙেল নংবু মিতা-দা
লৈরাং নংবু খোইদা-দা
পামজবা থম্মোইনদি ইরাং-হৌ

নওং য়েংবদা পেল্লবী
চাওখৎ-জাংতি ওইরবস্লু
নত্তৌনা জয় তৌরবী

ঐগী পুক্লিং ভুক্লংপি
লৈরাং ওইবী নংগী
কোলোই মিংলেন কন্নিনো
খংনিংবনা লাহুৎ-লক
কৌনিংবনা থুম্মৎ-খি
তোইনা তোইনা হংনবা
তাইবং কনা খংখিদা
ফুম্বংননা লৈগ্রবদা
অমুক্তা হেম্না মুংশিজবী,
নিংথিবা নশক্লপা ফজবী
কোইনা অস্থুম য়েংঙকপদা
লৈরাং নংগী হোৎফমসে
মনি থোকপা লৈপাকনি
নিংথিরবা চিংগী চিংথক্তা
শিঙেল নংনা শাৎপদি
শিরোই চিংগী ফজরবা
মুরৈননা শংলবা মচু-লক্তা
মুক্তানা কোংগোন খিনবগুম্বনি।
মালং ফৌরোই ইন্দুনা
লৈরাং নংনা তনিক-তনিক ·····।
নত্তৌ অসি উবদা

পুবি কাওবা মৈতৈ অমোই
ঐগী মিতা উবিবা
নৌরোমবু কিশিতবগী।

হাইনিঙাই লৈতনা পামজবী
লৈরাং নংবু মুক্লপা
মিপুম থুদিংমক্তা উহনখে
অমুম্বু খন্দুনা
শিঙেল নাক্তবু চংশিল্লকপা
মওন মওনবু খল্লকএ ?

লৈরাং ওইবী নংহাক্তা
তাইবং কন.স্থ থংহন্দনা
লোম্না থুপ্পবু লৈরম্বদি
কিংদোন ঐবুতবু ঙাইরম্বনি,
ঐগী নিংবা থুংহনগে
রাজমনগী মহৈ য়ালহনগে

পামজবা লম্বী মতেং-পি
অনৌবা মিংচৎপু ফংহনগে
খন্দুনবু হৌরম্বরা ?
পুকচেল ফজবী ন.হাক্কি
মৈতৈ লৈমগী মমোমনি
হায়বদবু পকচবী

নংগুম্বী পোকচবী ইমাদি
করিগীদি লেমজরোই
করম্মদি চাওথোকচরোই,

ইংরেজ অাংতা পোক্লবা
সমক্রে ইবাংমদা লৈরবা
ঐগী ইতুং ইল্লোকো।

নিংথিবি নংবু থেংনরুবা
লৈরাং নংবু ফুক্লগা
লৈকোন থুদিং শাংহনগে

নংনা লৈশাং তম্মগা
শিঙেল মেলাবু তৌহনা
লৈবাক মাংদবু পুথোক-চা

তাংনা কংবনি ফোংদোকে
মমিং পেম্মা য়েংজশনু
লৈরাং নংগী নশক-সে

থ্বাইলক্লগী তোপ-তোপই
লমদম কৈদনী পুরকপনো
লাংতক্লনা হংশনু

মত্তমঙ্গদা লেমথোক্লা
শিঙেলদ নংবু মাংদা-থম
চাওথোকচবা বাহৈনা

অস্তুম্নবু হায়গনি
পৃথিবী অতৈ লৈকোন্দা ফংদ্রবী
মমল লাইদ্রবী লৈরাংসে
মনিপুর স্না লৈবাক্তুদা
তোমখিন শাৎতুনা লৈরম্বী
ফংঙমদনা ফংলবী
মনি মক্তাদগী হেন্নবি
মমল নাইদ্রবী লৈরাংনি
অস্তুম্নবু লেম্নগে,
পোক্লফম লমদম্বু শোম্নহন
মিতাঙ্গসস্থ মখোইনা
শিঙেল করম্নবু পুশিবা ;
সমত্রু ইবাংমা লাম্না
লৈরাং চার পুবস্থ
পৎ-থ খুইথখিগনি
খন্থবা বাখলগী মথা পোন
শিঙেল মরু লৌরগা
লমদম কয়াদা থাহুনা
লৈরাং হৌনবা হোৎন
মফম কৈদস্থ হৌদ্রবদা
হোৎনরবা খরগী তুংদদি

পোক্লফম ইংলণ্ডদা তৌহ্লনা
পৃথিবি শিনবা থুংনবু
লৈরাং লৈশক খংনখি
কিংদোন বার্ট ঐগী
অনিংবা কয়া থুংহন্দুনা
শিঙেল নংগী নপান্দগী
এবার্ট কয়া ফংহ্লনা
অথোইবা মিংচৎ ফংহনখিবি
নিংথিনা ফজবী "লিলি" নি ..... ।

ৰনাগুম্ব-অমা— তো-লৈরাং নংগী নমিংবু
তাইবং শিন্না শন্দোকখরে
অহুবুনে শিঙেল-ও
লৈরাং ওইবী নংহাকপু
উনিংবা কয়ানদি লাংতক্লা
খংনিংবা কয়ানদি ইরাং-হৌ
অরাংবা চিংথক্তদি হৌথিবা
অঙাং নবাদি য়োঙমদা
পাঙ্গল শোনবগীদি উপাই লৈতা· · ।
নমিংনা তাইবং শিনথ্ররী
নতৌনা খ্বাইবু মুংশিহনবি
নরমচৎনা য়েংনিংবা পোকহনবি

কৈথেল খুদিংদা ফংদ্রবী
তুকান কয়াদা য়াওদ্রবী
লুকমাই খুদিংদা য়োদ্রবী
লৈরাং নংবু ফুক্লগা
তমগী লৈকোন্দবু থারগে
শিঙেল নংনা হৌহুনা
নিংথিনা লৈশাং তমহুনা
মিপুম খুদিংমকপু পেলহনবা
লৈরাং করি খল্লিবা ?
চিং-তম অমতা ওই
থুংকা থুংকা শমনহুনা
ইচিল ইনাওগুম তিল্লবা
মমা অমতনা পোকপা মচাগুম
চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা
লৈরাং নংস্থ চিংথকদে,
শিঙেল নংস্থ য়াওনবা
ফজনদি হৌহুনা
নিংথিনা লৈশাং তম্মোকো
মৈতৈ লৈমগী লৈকোলবু
পৃথি ফাওনা য়েংনকম
ওইহল্লশিকো......লিলি-ও...... ।

লিলিগী মরুমদা চাওরাকপা ৱারম থৱদং

ইং শোক ১৯৪৬ জনুৱারী থাদা Kingdon word কৌবা London গী মীওই অমা মনিপুরদা লাকখি। মহাক অসি লৈ-শুনচিংবগী মরমদা Research তৌদুনা থিজিন খোংচিনবগী লম্বীদা য়াম্না থৱাই য়াওবা, হোংনবদা নিংহন্নবা লৈতবা মীশক অমা ওইরম্মী। মহাক্ন মনিপুরদগী মাগী অপাম্বা থৌরাং অসিগী মরমদা কোইনা চৎ-চৎতুনা থিজিন খোংচিনলকপদা মনিপুরগী অৱাং নোংপোক লমদমগী উখ্রুল মাইকৈদা লৈবা শিরোই চিংগী চিংথক্কম্ম য়েৌরকলবদা চাওরাক্না ফুট ৭০০০ (জিশিং তরেৎ) লোম ৱাংবা মফমদা ইথা থাজদনা লৈ অসি হৌদুনা লৈরম্মে, মতম অদুদা F. Kingdon word না য়াম্না ফজনা লৈ অসি হৌরম্বগা লোইননা নিংথিনা ফুগাইনা শাত্তুনা লৈরম্বা অদু উবদা ইতোপ তোপ্পা মথলগী পুক্লিংগী অঙকপা অপাম্বা অমদি অপেনবা অমা পোকখি। মতম অদুদা মাগা লোইনহ্নকপা মীওই থরম্ব অদুম্না ওকখি। অসিগুম্নবা লৈ অসি ফংলবদা F. Kingdon word না লৈ অসিগী মরু লৌদুনা London, Shilong অমদি Imphal দা লৈবা Political Agent, Mr. Grimson, দম্ব লৈ মরু অসি হেৈননবা চাংয়েং তৌহনবদা হায়রিবা (মফম) লমশিং অসিদা হোৱা ওমখিদে, মতম অদুদা নিংহন্নবা লৈতনা লৈমরু অসি মানা London দা পুরগা হৌননবা চাংয়েং কয়া তৌবদা মাগী লুপি (Wife) Lilium Mackliniae নম্ব য়াম্না থৱাই য়াওনা F. Kingdon word কী মতেং পাংদুনা হোংনবদগী লৈ অসি ইংশোক ১৯৪৯ জনুৱারী ফেব্রুৱারি লোম্নবা অদুৱাইদা য়াম্না ফজনা শাংখি,

মতম অদুদা F. Kingdon word লৈ অসি ঈশিংদা হৌবা থরো য়াম্না মাল্লী হায়দুনা "Lily" হায়না খোনখী। অমদি লৈশক অসি উবদা Mr. J. R. Shilly নস্থু অপেনবা অমগা লোয়ননা F. Kingdon word কী নিপিশী মমিং লৌদুনা Lilium Mackliniae হায়বা মিংথোল অসি পিখি, অমদি Ruyal horticultural Society নস্থু ইংশোক ১৯৫০ দা London দা Chelshiya flower show তৌবদ' লৈ অসিনা খ্বাইদগী ফজবা মথলগী লৈওং অমা ওইদুনা Award of merit হায়বা মিংথোন অসি ফংখি............।

মুজা—পাখং

পাখং—হাদা মুজা শকহেনবি
শতৌনা মালেম শল্লিবি
ফজবনা নশকুক ওইরিবি
নিংথিবদা শোম্নরিবি
শানৌ-নংবু তারিবরা ?

মুজা—হাদা ইবুং-ও শকহেনবা
করি হায়বিনিংবগে নচম্না
পাখং যাবা ভাইজরি
লাইবক-থিরবি ননাওদা
চিংনবা লৈতনা তাকপিয়ু।

পাখং—হাদা ইশানৌ-ও নিংথিবি
পাখং পাইনফুংগী য়াবাসে
করম্নবু কোংদোক্লশিগে
উরুবা রাংলেন অত্রুদগী
পাখং কে ইংগা ওনরেদা.......।

মুজা—তেমথবা মপোক্কি তৌনশা
কার লৈজদবী ঐহাকপু
অত্ত য়েৌনা মুংশিবিবা
নচনগীদি লাইবক ফবনি
পোনচংগী মহৈ য়ংঙ্গরে।

পাখং—হায়দোকলকপদদি খোইহিগুম
পুকমুংদদি কোচি থাং
পাখংদা অবাবা হাম্নিহনা
থাংগুমত্রবা খঙ্গোইদা
নিঙোলগী তেম্নদি থাবিরমুদা।

সুজা—অচুম্বা বানা হায়জবা
তায়োম্নবিগনু ইবুং-ও
পাঙল শোন্নবি নচনগুম
লুনা-চাম্না কোনবিয়ু
ইবুংমকনি খঙগে।

পাখং—থোইচংনবিগনুদা ইবেম্মা
হাইজৈ হায়বগী চাওখোকনু
পাখংগী থম্মোই লাইথুংসে
কনানদি লাইয়েংবিগনি
নহাক নংতনা লৈত্রবনি।

সুজা—লৈরাং ওইবি পুন্সিনি
চৈজ শিংজদবি ননাওনি
করি উপাইদি লৈরিবা
নিংথিনা হায়জবদা য়াবিয়ু
পোকমিন্নবনি খঙগে।

পাখং—হন্না হন্না হায়জবদা
তমখিরবা মুঙগী থম্মোই-চেন
মিন্নুংশি থংদবি ওইবদগী
পাখং পুন্সি তেন্নবদা
কনানদি দোষ পুবিগনি।

সুজা—মীগী থম্মোইনা য়ানিংদা
নমজা নমথেক্লবনু
অমম্ব বাখনবু চংদনা
লৈজরিবি সুজানি
থাজদবা তৌবিগনু।

পাখং — নিঙোল পুকচেল খংজৈদা
মুংশিং শিংতনা উনা লেংদবগুম
লোঙ্গা লোনথুপনবিবা
তশেংবদো হায়দোকপিয়ু
পাখংসু মিং-নাকোং পাল্লিদা।

মুজা — হায়জিনবদা পক্লরোইদৌবা
কাইজত্রবী ঐহাক্কি,
লাইনা য়াংপা খয়াংনি
লৈতোন্দা শরু পান্দবগুম
নিঙোল ইয়ান শিবিন্নুদা…।

পাখং — তাকপিরিবা অন্থনা
পুকচেল লেপ্তবী মুজানি
অউ-অউবদা পামবিনি
বাহৈ-হুনা তাকএদো
থোদোক্লদি ফোংঙেদো।

মুজা — মুজা ওইবি ঐহাক্কি
মুংশি কৈথেন কাহুনা
হয়াং হুকানসু ক্ষমজদে
লাঙদবিদা ইয়ান শীবা
পাপকি মপৈনবু তিঙ্গনি।

পাখং — নিঙোলগী মপোক ওইরগা
হায়জবা পুম্বা তাবিদা
কোফু মনিংদা শিকপগুম
তোয়না ইকাইবা পিবদি
তম্বা ইতিক খংনিংবরা?

মুক্তা—হায়ঞ্জবা পুন্সা তাবিদা
দুশ নশোং ফনবদি
চংমেংমা থমকা তৌবনি
মিংতোল থম্মোইদা থংজদো
মৈতৈ চন্নুনি কাওবিগন্নু।

পাখং—লংজেল কয়া ফতনন্নু
খোংহমুগীদি লৈরাগনি
নংগুম্মা লক্ষা লক্ষানা
করিবু দ তৌজরনি
ঐস্ত্ত মৈতৈ পাখংনিদা।

মুক্তা—পাম্বা কৈরেনগী মতৌগুম
শরাক তমগে খোরাংবা
নিংহন্নগনি খল্লবদি
শিবা কিদবি মপোকনি
মসিমন্নু কাওবিগন্নু।

পাখং—অরেপ্পা রাশক্বা পুনপ্রবা
পাংথোকঅগে থন্দুনা চংউকঅবা
নিংবা থুংদ্রিমথৈ হল্লরোইদোবা
ঐগী অরোইবা খোংথাংবু
কনানদি থিংবিরনি।

মুক্তা—অপাম্বনা থুম্মাংখি
লাল্ল চুম্মি খউদনা
ইকাই-ইকি লৈতনা
তাংজ মাইদবু কোন তোপ্পা
হিংবগী করি কাম্নরিবা

থোইমু—অপাম মুংশিনা ঙাওরবা
শিববু শাম-শিঙদা চম্লবা
ছিংবগী কায়ব্রবা মপোকসে
নংগী নকমদা পিথোকপ্রবনি
মসিমন্থু হায়বিগে ;

মুজা—পোক্লবদি শিগনি
মসি খুঙনা লেপপ্রবা
লেংঙরোইদোবা পুকচেলসে
হোংহনবা ঙম্বা কনানো
নতিক লৈরগা চোংথোরকউ।

পাখং—অচাকপা মৈদা ঘি হৈবি
থোইনা হেম্না চাকহনবী
থম্মোই পাম্রবী নংহাক্লা
থৌনা ফবা শাহনা
লিংকদোবা কদাইদনো ?

মুজা—থৌহনা চংপা ওইথোকলোই
শিবা কিবা লৈজদে
অচুম্বগী থয়াংতা
নোক্ল থবাই থাজপনি
মশি খঙনা হনবিথরো।

পাখং—তোয়না হায়জবদা য়াম্রবি
অশাওবা বাখল্লা লুতোন-কা
শিবা তারবা মপোকসে
নিঙোল নমাংদা থবাই থাবা
নমিৎ থিংনা য়েংজোকো—।

সুজা—তাৎ হৈবা মহৌশা
খূদক অসিগীদি নৎতেদো
থমকানা কদম তৌহনা
নিঙোল পুক্নিং ওলহনবদি
মপোক অসিমগী ওইপোক্লোই ।

পাখং—নিপিগী মপোক্তা পোক্লগা
লৌনম্না তাইবং গুম্বাক্তনা
পুক্নুংদা হবু কুম্বদি
নিঙোল নঃবু মুংশিক্লবা
লৌজরো কাম্নব্রবা দেংংসে ।

সুজা—এ: কৰি বাখল্লো অতুদি
পুক্নগী থাং থাদোকপ্ত্রু
পাখংগীদি খঙ্গোইনা
মুংশি মুংশিদে চাং-ঙেংবা
হৌজিক্তি তশেংনা খংজরে·· ।

পাখং—চিন্নোল লাংমি থাকপিগনু
সৌনম বাহৈ তাকপিহনা
মপুক শেংলবা নোংশাবু
ফাগে হায়নং থোরাংবা
মপোক অসিমগী ওইথোকলোই ।

সুজা—থাজদবা তৌবিগনু
তাংজ লিনগুম পুকচেল-লোঙ
অওই ওইদা চাহনা
অরেপ্পা লৈতবা নিঙোল্দি
মপোক অসিমগী ওইজরোই ।

পাখং—কোয়ৌ খক্তা পাইবা লৈচিন-গুম
মচু শংনিংবা য়াবা লশিংগুম
মিকুপ পুজা খুদিংগী
পুকচেল হোংবী ওইরম্মবদি
অরেম্বা ওইদো পুম্নমক……।

পুজা— থাজদবা কয়া লৈবিরম্নু
লৌনম্বা নোং কয়া হৌরক্ক্না
অকিবা নোংথাং কয়া-কুপলক্লবদা
নিঙোলগী পুকচেল হোংঙবদি
পাখংবু হাৎপা পাপ পূজগে।

পাখং—নিঙোলগী থম্মোইনা শেংলবদা
পাখং ঐগী পুন্সিসে
মুংশিবা নংগী নক্ষমদা
ভসিদগী শিন্নজরে
তাইবং মপুনা থংবিসম্নু।

পুজা— বাংলবা হিমালোইগুম খক্লগে
নক্লম থুপ্লবু শাৎচগে
ইংনা চিক্লবু লৈজগে
লমখাংদবু মাংহনবিগম্নু
উকন ওইবিয়ুকো পুন্সিগী,

পাখং—চিংনবা মপৈনা কুপ্লবী
থাজদবা পুম্বা লৈবিরম্নু
অপাম্বা নৎতে মিকুপকি
লৈবা কংজ্রবা মুংশিবদা
কৎথোক্লবনি পুন্সিসে।

মুজা — ইথুং চল্লবনি থনবিত্থুনা
মিরাইবিরবদি মাংজরে
মত্থুতনি কিজরিবা
মুঙাল তোইবা মপোক্কো
নিঙোল ওইবীগী লাংকমনি

পাখং — নংনা ঐগী থবাইনি
ঐগা নংগা কাইনরবদা
থবাই য়াওর্রবা দিহেনা
মতম কুইনবু হিংঙবদি
ঐনা নংবু থাদোক্লনি।

মুজা — খংজরে, অদুবুনে মুংশিব।
নৌনা য়ুম পানবি ওইত্থু না
হিংকম চাকম খঙদনা
চয়াম পোকপি ওইত্থুনা
অবা ইপাক্তদি ইরাক্পওমসিকো।

পাখং — মতমগী খোংলোই তুংইন্না
নং-ঐ য়ানত্থুনা
অকবা লম্বীদা খোংদাবা
য়ৈথাই থুগাইরদোবা কনানো
তাইবংসিদা পোকলিবরা ?

মুজা — মুত্থুতদি কাওবিদবা
চাপোক ফবি য়েনবিওব
মচা ময়াম্না চাহৎতুনা
পুন্না পুন্সি মাংমিন্নবা
মসিতনি কন্নসিকো।

পাখং—চিংরোল লাংবু খাজ্বুনা
ময়ামো শজিবু ফাবিবা
শাদানবদো নংচদে
হায়খিবা বানা লেঙদবনি
শকখিবা বাশক্রা অয়েপ্পনি।

মুজা—তাকপিবা বাবু চাংয়েং ওই।
ঙসি কৌবা নোংসিদগী
চহি মঙাদং ঙাইবিখো
থোরাং মপুং ফানখিসি
ইশাগী ফিরেপ চাহনখিসি।

পাখং—ঐগীনি অয়েপ্পা খঙলবদা
পুকচেল পিকপা তাজবোই
চহি মঙাদবু নংতে
নভৌদবু য়েংহনা
চহি তারাহুম ঙাইখোকে।

মুজা—খাইবক কৈদকো ঐহাকসে
অসিগুম্বা পুকচেলবু খংঙদবা
খাজরুদবা ঐনা লাঙ্গবে
মথাংচৎতা বাবিখিবা
কারিনা লম্মন শিংগনি।

পাখং—বাশক্রা হিংবা মীওইবা
অয়া মৈচাক্প চারুবা
শিরকৌবা পুন্সিবু কল্লিবি
নংঙগী পুকচেল কল্লিসে
তাইফবা মশিং কয়া য়ামমগবা?

খুজা।—তশেংবা মুংশিবা খঙবিবা
হায়জবদা য়াবিবা
খুজাগী পুক্নিবু কনবিবা
অসিগুম্বা ইবুংশিং কখ্যাবু
লৈরমসম্মুকো মশিং লাকঙমদনা।

পাখং—ঐগুম্বা কয়ানা থল্লিবনি
য়াম খঙনা হেলাং-থাং
তুংগী রাখল খল্লদা
চমথাংলগা ইরাক্লবা
ঐহৈ চিকপ খোল্লসল্ল,

খুজা—চাম্নবি ইতারোই কয়াম্ন
হৌজিক হৌভিক্নিদা খনফদে
শাইবা কল্লপা ওইনম্মি
খাঙবা কল্লপা ফমেন ফম্মি
তুংগী পোইর য়েংহৌসি

পাখং—চচক-মিচৌ লাংফমদা
থবাই থাগে খল্লুবা
তাপং লাঙ্গোই চল্লবা
অচুম্বদো খেংনরবদা
অরেম্বা ওইরম্মে পুন্নমক,

খুজা—হৌখিবা মতমদি তানঙমল্লে
লাক্নদৌবা খোংথাং চেকশিন্না
পুন্সি য়াইফ মুংঙাইনবা
ইশানা ইশাবু শেমজন্না
পোকপগী মহৈ য়ালহল্লসি।

পাখং—য়াইফবিদি ইমা-ও
পোক্লকম লমদম্দি মুংশিখি
মকনবা পোকশি পলেম-ও
কৌজবগী পেনবা নাইত্রবী
নিংবগী পঙ্খে লৈত্রবী


মুজা—নচা লক্ষা কয়াবা
ইমাগী সেবা ফংজবা
পাংজত্রবা নচা ঐখোয়নি
শিদোল পাদোল্লবা মপোকনি
নংবা থুদব ঙাকপিসু।

পাখং—শুকম চাকম শংদনা
হিংনবা হোৎনবা লানফমদা
থবাই থবাক্তা হাপ্তুনা
লাইয়-অনংগী লানফমদা
মাইয়োক্লিদে পজেং-ও,

মুজা—চরাম চদংনবা নচাশিংনা
ইমাবু কন্ননবা লানথেংনবা
অনৌবা পাঙ্গল হাপ্পিয়ু
য়েক্লবা লাম্পা পাহনা
মোক্ল থবাই থাজগে।

পাখং|— ইরৈপাক্কি ইজৎ ঙাকচগে
মুজা| মনি পুবা লৈপাক্কি
তাইবং শিন্না ঙানবিয়ু
লৈজবা খয়দং কৎচহনা
ইমাগী খোঙাল নিজরি··
অছানবা শরুক লৈরবা

—০—



[illegible]

[illegible]	[illegible]	[illegible]
১০	[illegible]	[illegible]
১৫	[illegible]	[illegible]
২২	[illegible]	[illegible]
২৮	[illegible]	[illegible]
৩৫	[illegible]	[illegible]
৩৮	[illegible]	[illegible]
৪১	[illegible]	[illegible]
৫৬	[illegible]	[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]